থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# বি জে পিগী লিদরশিংদি কোভিদ-১৯ থেংনবগী রুল থুগাইবা য়াই

ক্বারন্টিন তৌবা নৎত্রগা ক্বারন্টিন সেন্টর হায়বসি করিনো? ঙসিদি মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়া, যূমথোঙ খুদিং খঙদবা লৈরল্লরোই। মীগী মীরোন (ইংলিস) ওইরবসু মরোন নৎত্রগা ইরোন্দুদা হন্দোক্তুনা কনানসু শীজিন্নদে। মতাংসিদা মীরোন-ইরোন-সাহিত্য চঙদে। থৱায়দুনা মরূ'নি। শীজিন্নগে হায়রগ'বুদি 'তোখায়না থম্বা'/তোখায়না থম্ফম' (আইসোলেসন নৎত্রগা আইসোলেসন ৱার্দ) হায়না শীজিন্নবা য়াই। অদুবু, মদু ক্বারন্টিন হায়বসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক নত্তে। ক্বারন্টিন হায়বসিদি লৌনগনবা লায়না অমনা নারবা নৎত্রগা নারমগনি হায়না চিংনবা মী নৎত্রগা শা অমা নৎত্রগা ময়াম থম্ফম অদুবুনি। হৌখিবা থা অহুম-মরিসিদা পাউচেশিংদা নুংতিগী পাদুনা লাক্লবা, খঙনরবা ৱাফমনি, অমুক শুগায়না তাক্তুনা, অহৈপা শাবগী থবক্তুমা তৌজররোই। কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি মালেম শীন্না শন্দোক্লকপদা ইন্দিয়া য়ৌশিল্লকখিবা, মণিপুর লানশিল্লকখিবা ... মহীক (ভাইরস) তুনা ঐখোয়দা পাক্লা-শন্না শন্দোরক্তনবা ঐখোয়বু লোকদাউন তৌদুনা, ছো লোনশিন্দুনা থম্বগুম্না থমখিবা মতমদুদা, নোংমাইজিংখক নত্তনা নোংমতা কাংদ' থা অনী হেন্না কোভিদ-১৯ অমদি লোকদাউনগা মরী লৈনবা পাউ'মক্তা তম্লবদুদা তন্থরক্তুনা, পাউ'সিগা মরী লৈনবা পাউদম অমত্তা তম্লরোই, ৱাশকপদি নত্তবা ৱারেপ অমা লৌরুরবনি।

লোকদাউন হেক হৌখিবা মার্চ ২৫, নুমিত্তুদগী ক্বারন্টিন সেন্টর হাংবা, নারম্বা য়াই চিংনবা (অনাবা মীগা নক্লরুবা, যূম-কা-নৎত্রগা লৈকায় অমদা লৈমিন্নরুরগা ময়ূমদা হল্লকপা) মীশিংবু, তঙাইফদনা নুমিৎ তরামরিনি তোঙান্না থমগদবনি হায়বসি খঙদুনা/হায়দুনা লাক্লবনি। চাওখৎলবা লমশিংদা ফাওবা লাক্লা ফানা ঙমখিদ্রবা লায়চৎসিগী মওংসি, ইন্দিয়াদনা অমুক্কা হেন্না য়েংহৈদবা ফীভমদা লাক্কনি ... অচৌ-অশাঙ, মীচম-মীয়াম পূন্নমক্লা হায়নখিবা ঙাক্তনি। মীয়ামবু যূমদই মপান থোকহনখিদবদু অচৌ-অশাঙ-পোলিটিসিয়নশিংনা চখোক-চৎশিন নুংঙাইহন্নবা নত্তে। লায়না অসি থেংননবা/মায়োক্লনবা, তঙাইফদনা তৌদ-য়াদবা থৌরাংশিংদু মাঙজৌননা পায়খৎহৌনবা, শেম-শাবা তৌহৌনবনি। অদুগুম্বা তৌফম থোকপশিংদু, অতৈ ষ্টেটশিংগীদি খঙজদ্রে, মণিপুরগীদি ইতৌ তৌখিদবরা হায়বসি ৱা থোক্লরবা কান্দা খঙলকখিবনি। মণিপুরগী মপান্দা লৈখিবা, মশীং য়াম্লবা ইরমদম মচাশিংদু মতম চারিঙৈ কৌশিনহৌদ্রবনা (মোদিগী ৱা মথক্তা ক্বেসন তৌবা ঙম্বা বি জে পিগী লিদর অমত্তা লৈখিদবনা), ইন্দিয়াগী মফম-খুদিং কোভিদ-১৯ শন্দোকখ্রে, ময়ূমগী ৱাংমদা লৈখিবা ইন্দিয়নশিং ময়ূম-ময়ূমদা হলহন্নবা থৌরাং পায়খৎলকপদা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা নুমিৎ তরামরিনিদি শোয়দনা থমগদবনি হায়বসি ইন্দিয়াগী হেল্থ মিনিষ্ট্রি'না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী ইন্সত্রক্সন মতুংইন্না ষ্টেট খুদিংমক্কী লৈঙাক্তা য়াথং ওইনা পীখ্রবনি। ফাগি তারবা মণিপুরগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিং পিকনিক স্পোট নৎত্রগা কোয়বা লাকপদা থুংলুবা মীথুংশঙ'গুম লৌদুনা ঙাওশিন-ফৈজিন্নরম্বগী ৱারী পূন্নমক্লা তাবীখ্রে। চীংলোন লান্না শন্দোক্তনবা হোৎনমিন্নসি, ষ্টেটসিগী মীয়ামসি কয়ামুক চাওখত্তবা মীনো হায়বদু তাকথোকচবা, মরৈবাক য়োনবগী থৌদৌ তাগনি... লৈবাকমচা তাবা খরনা ৱাজরসু, পাউসিদি সরা শনখ্রে। ক্বারন্টিন সেন্টর চলাইনবা 'ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর' (এস ও পি) - ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন ফাওবা মৱা লৌদবা লমসিদা কনানা লূম্না লৌরম'নি? এস ও পি ঙাক্তে খঙল'ফাও লৈঙাকসিনা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রিবা, পাঙ্গল থোকপা ঙমদ্রিবা - মখোয়গী অচৌবা অশোয়বা অমা লৈখ্রে হায়বদু খঙজবননি। মীয়াম্বু/ইনমেটশিংবু ৱাখল তাদবা তাহনবীগনু। লৈঙাকপশিংনা তৌগদবা তৌখিদবা, তৌরোইদবশিংদু তৌখিবননি। অকৃপ্পা ৱাদু নৈনরগুমসি, মতম হেল্লে কান্নররোই। হৌজিক্তি লৈবাকসি লোইরবনি। নরাইবক য়েংজরো... লাইবক ফরে হিংহৌরো, লাইবক থীরে শিজরো থাদোকপগা চপ মান্নরে।

ইনিংথৌবু রাজ্য সভাগী মীরেপ ওইহল্লুবা, মীখলদুগী মমাঙ নুমিৎ নীনিদগী লৈবাকসিদা ওইরক্লিবা পোলিটিক্সকী ৱাথোকসি উবীরেদনা! পাউসিবু অমুক তমখিসিরা? হান্নগুম এয়র-সর্ভিস লৈরল্লবা, মণিপুরগী বি জে পি এম এল এ পূন্নমক দিল্লিদা লৈরমগনি। বি জে পি'দা নত্তে কোংগ্রেস'সু। মণিপুরগী পোলিটিকল বেট্টল, দিল্লিদা শোয়দনা শোক্লরমগনি। মতাংসিদা নুংঙাইরিবদি, 'বি জে পিগী বিরেন-লৈঙাক শোয়দ্রে, তুরেদনা? হায়দুনা 'সিক্যুলার প্রোগ্রেসিব ফ্রন্ট' গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী পান্দমদা মণিপুরদা লাকখিবা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওবজার্ভর 'অজয় মকেন' অমদি 'নোর্থ-ইষ্ট ইন-চার্জ 'গৌতম গোগোই' অনীবু, কোভিদ-১৯ ক্বারন্টিন এস ও পিগী মতুংইন্না, মখোয় অনীবু 'হোটেল ইম্ফাল'দা ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈহনখিবা। ঈরাংসিগা মরী লৈননা লাকপা বি জে পিগী 'হিমন্ট বিশ্বা শর্ম্মা' অমদি নেসনল পিপলস পার্টিগী প্রসিদেন্ট 'কোনরাদ এ সংমা' অনীগী মফমদদি এস ও পি অসিনা কোনশিনবা য়াবা ৱারোল অমত্তা য়াওরমদবা অসিনি।

অখন্নবা এরোপ্লেন অমদা লাকপনিনা ক্বারন্টিন মথৌ তাদে নৎত্রগা রিটর্ন টিকেৎ পায়রগা লাকপা পেসেঞ্জরশিংগীসু ক্বারন্টিন তৌবা দরকার ওইদে হায়বসি মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা সার্কুলেট তৌবা এস ও পিগী শাংলবা ইন্সত্রক্সনদুদদি থেংনদে। বি জে পিগী লিদর অমদি মিনিষ্টরশিংদি কোভিদ-১৯ ক্বারন্টিন পোলিসিনা কোনশিন্দে হায়বসি অপঙবা মীচম মীয়ামদা অমুক্তং ময়েক শেংনা খঙহনবা তঙাইফদবা অমনি।

লৌশিং পুক্কে

# তোয়না শীজিন্নদ্রবদি হকচাংগী মশল পূন্নমক শোন্থরকই



মশল শোন্থবা হায়বসি য়াম্না তোয়না থেংনবা থৌওং অমনি। খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লবা মীওইশিংনা করিগুম্বা থবক অমা তৌগে হায়না ৱাখলদা খঞ্জবা তারবসু মশল শোন্থখিবনা মরম ওইরদুনা পাক-হেক পাঙথোকপা ঙমদে।

মশল শীজিন্নদুনা হকচাং-শাজেল তৌদবা হায়বসিনা মশল শোন্থরকপগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমনি। তোয়না শীজিন্নদবা তারবদি মশল মনুংদা য়াওবা ফাইবর পুন্নমক ফেট ওন্থোরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মমাঙদা ইরায় লায়না তৌবা ঙল্লম্বা থবক কয়া পাক হেক তৌবা ঙল্লক্তে। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি তপ্না-তপ্না মশল কনখৎলক্তুনা অৱাবা অসি কোকহনবা ঙম্মী। অদুবু চহী য়ামশিল্লক্তুনা অহল ওইরক্লবদি পাক হেক ফহনবা ঙমদে।

মশলগী মপাঙ্গল খ্বাইদগী কনবা চহী মতাং অসি মশাগী চহী ২০ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনি। মালেমদা খ্বাইদগী মমিং চৎলবা, ফাওরবা শান্নরোয়শিংসু হায়রিবা চহী মতাং অসিদা লৈবা মীওইনা অয়াম্বনি। অদুম ওইনমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা মশলগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি চহী মতাং অমদা হেক্তা অদুমক লৌখৎপা য়াবা থৌরাংনি। হৌজিক হৌজিকমক লমশাং চেনবা লমজেলদা মশাগী চহী ৪০ হেল্লবা মীওই কয়া অফবা লমজে ল্লোয় অমমম ওইনা লৈবা অদুমক য়াওরিবনি। মরম অদুনা ওইনিংবা চহী মতাং ওইজরবসু হকচাং ফনা লৈনবগীদমক মশলগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু চহী খরা য়ামশিল্লক্লবদি হকচাং শাজেল তৌবা হৌদ্রিঙৈদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা ট্রেনর নৎত্রগা ফিজিওথেরাপিষ্ট অমগী পাউতাক লৌদুনা খুদোংথিবা থোরক্তনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহৌগদবনি।

চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা মশলগী মপাঙ্গল শোন্থরকই অমসুং হান্না নহা ওইরিঙৈদা ইরায় লায়না তৌবা ঙল্লম্বা থবক কয়া অহল ওইরবকান্দা পাক-হেক তৌবা ঙল্লক্তে। মসি মীওই অয়াম্বদা নীংবা কায়নিংঙাইগী মশক ওইবা তারবসু চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি মশলগী মপাঙ্গল তপ্না-তপ্না অমুক কনখৎহনবা য়াই হায়বা ৱাফম অসি কাউরোইদবনি।

করিগুম্বা কান্দা অনাবা মখল খরনা মশল শোন্থরক্লবগী মরম ওইহল্লি। খুদম ওইনা ফ্লু (ইনফ্লুএঞ্জা), গ্লেন্দুলর ফিবর, ঐচ আই ভি, লাইম দিজিজ, হেপাটাইটিস সী, টি বি, মেলরিয়া, সিফিলিস, পোলিও অমদি দেঙ্গি ফিবরনা মশল শোন্থহল্লি।

মীরোল্লিঙৈ মনুং অমসুং মতুংদা নুপী খুদিংমক্কী ঈ দা য়াওবা ষ্টেরোইদকী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা আইরন ৱাৎপনা মরম ওইরদুনা মশল শোন্থরকই।

করিগুম্বা কান্দা লায়না মখল অমনা মতম শাংনা নাবা তারবদি মশলদা ঈ অমসুং ন্যুট্রিয়ন্টশিং ফংহনবা ঙমদবা মরম্না মশলগী মপাঙ্গল শোন্থরকই।

কনাগুম্বা মৈখু শীজিন্নবা অমদি চাকচা যুথক ফজদবা মীওইশিংসু কোলেষ্টেরোল ৱাংখৎলক্তুনা ঈ পুবা শিংলী উতোং ফুঞ্জিল্লকপদগী মশলদা ঈ মরাং কায়না ফংবা ঙমদবা মরম্না মশল শোন্থরকই।

দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংসু মশল শোন্থরক্তুনা হকচাং শোন্থরকই। ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং ৱাংখৎলকপদগী মশল ফাইবরগী মথৌ লেপখিবা অমসুং শিংলী ফুঞ্জিল্লকপদগী ফীভম অসি ওইরকপনি।

থম্মোয়গী মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদ্রবা মীওইশিং অমসুং থবোম্বীগী অনাবা লৈবা মীওইশিংদসু মশল শোন্থরকপা থেংনৈ। কিদনিনা মথৌ ফজনা তৌরক্তবা মতমদসু খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকই।

হকচাংদা য়াওবা রেদ ব্লদ সেল ৱাৎপগী থৌওংবু এনিমিয়া হায়না খঙনৈ। ফীভম অসি মায়োক্লরবা মীওইশিংদা ঈনা মশলশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদবদগী মশল শোন্থরকই।

মশলশিংবু হকথেংননা অমাঙ অতা থোকহনবা য়াবা মরম কয়ামরুম লৈ। খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি শান্ন-খোৎনবদা শোকপা-পনবা য়াওখিবা অসিনি। করিগুম্বা কান্দনা ৱার্মিং-অপ তৌদনা হকচাং শাজেল তৌরুবদগী মশলদা শোকপা য়াওই। মতমদুদা মশলগী ফাইবরশিংদগী ঈ থোরক্তুনা পোমখৎলকই অমসুং ঙাংশঙ ঙাঙনা খামদুনা ঈ অশিবা চঙলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মশল শোন্থরকই।

অতোপ্পা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা চারিবা হীদাক-লাংথকশিংগী সাইদ ইফেক্ট ওইনা মশল শোন্থহল্লকপা য়াওই। মতম শাংনা মৈখু শীজিন্নবা, যু থকপা অমদি হীদাক মনাগী পোথোক শীজিন্নবনসু মশল শোন্থরক্লবগী মরম ওইহল্লি।

মশলগী টিস্যুশিংনা ওক্সিজেন অমদি মরু ওইবা এঞ্জাইমশিং ফংদবদগী ফীভম অসি ওইহল্লকপা মরম্না মাঙজৌননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা ঈদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহনবা অমসুং নুমীৎ খুদিংগী মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা হায়বসিনি।

খ্বাইদগী ইহান হান্না শোন্থরক্কদবা মশলদি খোঙ অমসুং খ্বাঙগী মশলশিংনি। মথংদা অতৈ-অতোপ্পা মশলশিংসু তপ্ন-তপ্না শোন্থরক্কনি। মরম অদুনা হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা অখঙ-অহৈশিংগা তান্নদুনা খোঙ অমদি খ্বাঙগী মশলশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনগদবনি। মসিগীসু মথক্তা নুমীৎ খুদিংগী ঙাইহাক-ঙাইহাক নুংশা য়াইদুনা ভিটামিন দি ফংনবা হোৎনগদবনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**থিয়াম শ্যাম, থিয়াম খুঞ্জাউ বামোন মনিং**

লৈবাক মীয়াম্না খম থেংনা ৱারবা মতম অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা চয়েৎনবা কয়া থোক্তুনা লৈবাক ইরাং থোকহল্লিবসি তশেংনা মীচম অমা ওইনা নুংঙাইজদে। বিজেপিনি, কোঙ্গ্রেসনি অমদি তোঙান-তোঙানবা পার্টিনি হায়বগী ৱাফম থম্বিদনা পার্টি খুদিংমক কোক চুংশিন্নবিদুনা লৈবাক মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়জনিংই। এম এল এশিংনসু মিনিষ্টর ওইদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল থাদোকপীদুনা মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীয়াম্না করি অৱাবা থেংনরি অমদি করি-করি অৱাৎ-অপা লৈবগে হায়বদু য়েংশিনহন্নিংই। মদুনা এম এল এশিংগী তুংগী লম্বীদা য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা ওইহল্লকপা অৱাবা অসিদগী খরদং শাফনবা হায়দুনা চেং-চিনি য়েনবিরিবা অসি মওং-মরিল তানা য়েলহন্নিংই। লৈঙাক পায়রিবা লৈঙাকলোইশিংনসু খুঙ্গং-খুঙ্গংদা চৎতুনা মীয়ামগী পুন্সি মতৌ করম্না হিংলিবগে হায়বদুগী মতাংদা চৎতুনা ৱারী-ৱাতাই শাবিরবদি মীচম মীয়ামগী অপেনবা হায়বদু ওইগনি খল্লি। হৌজিক লমদম অসিগী কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন ওইবা হায়বদু ওইদ্রি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক্লা চেকশিন্না লৈবগা লোয়ননা মীচম অমা ওইবগী থৌদাং লৌমিন্নদুনা লায়না অসি শন্দোরক্তনবা হোৎনমিন্নসি।



**লিন্দা মুতুম, ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়**

কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা লৌখৎখিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা হৌখিবা থা খরগী মমাংদগী লোকদাউন তৌরকপনা মীচম মীয়ামদা চাউনা অৱাবা চৈথেং অমদি পীরে। অদুবু অমরোমদা লোকদাউন তৌহৌবনা লমদমসিদা লায়না অসি পাকশন্না শন্দোরকপা হায়বদুদি ওইদ্রে। মপান্দগী হল্লকপা ইরৈচাশিংদা পোজিটিভ ওইবা থেংনবা নত্তনা। মখোয়শিং অয়াম্বা পোজিটিভ ওইরম্বদগী হকচাংগী ফীভম ফগৎলক্তুনা নেগেটিভ ওইদুনা দিসচার্জ তৌখ্রে। কোরোনাভাইরস হায়রিবা ভাইরস অসিনা চঙদুনা নারবা মীওই অমগা নকশিন্নরুদ্রগদি অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোক্লিংঙাই ওইদে। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমদি লৈঙাক্লা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। লৈবাক মীয়াম্না ৱারবসু ৱানা মতম খরদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা, মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চঙদবা অমদি হরাউ কুম্মৈ মতম খরা লেপ্তুনা ৱাখল তামিন্নবগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি। মদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## থৌবালগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : ক্বারন্টিন সেন্টরদা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইরকপগী চাং ৱাংখৎলকপনা অকিবা লৈরকপসিদা খরদং ওইরবসু কোক্লবা ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টর থৌবালগী মায়কৈদগী হেন্দ সেনিটাইজর অমদি মাস্ক কয়া য়েন্থোকখ্রে।

ৱাংজিং, খাঙবোক, থৌবাল কোলেজ, মোইজিং হায় স্কুলনচিংবদা হাংলিবা মফমশিংদা অঙম্বা মতেং পাংখি। ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টর থৌবালগী মায়কৈদগী চেকশিন থৌরাংগী ওইবা পোৎলমশিং সেনিটাইজর অমদি মাস্কনচিংবা কয়া অদু ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অদুদা য়েন্থোকখিবনি। কোভিদ-১৯দগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকপনি। সেন্টর অদুগী থৌ পুবা মীওই কয়ানা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অদুদা চৎতুনা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি। কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা তঙাইফদনা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং অসি মতেং ওইনা পীখিবনি হায়রি।

## পাৱর কোন্না মুন্নসি কোভিদ হান্না থেংনসি: এলজেপি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : পাৱর কোন্না মুন্নসি, কোভিদ হান্না থেংনসি হায়না এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরী এন ইবোহলনা ফোঙদোকখ্রে।

বাপুপারাদা লৈবা এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী এফিসতা পাঙথোকখিবা পার্টি অসিদা সোরাইশম ওংবী কেবি অমদি নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীদগী কোংগ্রেসকী মীওই কয়া য়াওরকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা এন ইবোহলনা হায়খি, হৌজিক কোভিদ-১৯গী লান্থেং অসিদা মীৎয়েং চংফম থোকই। লৈঙাক্লসু লায়না-লাইচৎ অসি থেংননবা কন্না হোৎনরিবা তাঙ্ককনি। মতম অসিদা পোলিটিকেলগী ওইবা পাৱর মুন্নবগী থবক চত্থরকপদা লাইবক থিবনি। পাৱর কোন্না মুন্নসি, কোভিদ হান্না থেংনসি।

ষ্টেট অসিদা মরু ওইবা ইশুশিংগী মনুংদা দিলিমিটেসনগী ৱাফম অসিসু অমনি। কুমজা ২০০১গী অরানবা সেন্সতা যুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই। অরানবা সেন্সসতা দিলিমিটেসন তৌনবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা পার্টি অসিনা লৈগনি।

এল জে পি পার্টি অসি চৎনা-কাংলোন ঙাক্লা চৎপা পার্টি অমনি। পার্টি অসি নেসনল প্রসিদেন্ট ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামবিলাস পাসৱান অমদি ষ্টেট অসিগী এল জে পিগী লুচিংবা মিনিষ্টর করাম শ্যাম মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা লুচিংবনি। পার্টি অসিদা সোরাইশম ওংবী কেবি অমদি নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীদগী কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওরম্বা মীওই কয়া য়াওরকপদা তরাম্না ওকই।

সোরাইশম ওংবী কেবি অসি তুংগী থাজবা য়াম্না লৈরিবা মীওই অমনি। মহাক্লা পার্টি অসিদা য়াওরকপদা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবদা মতেং ওইরগনি। মীয়ামগী থবক থৌদা কয়া তৌরিবা কেবিনা পার্টি অসিদা য়াওকপদা তরাম্না ওকই। এল জে পিনা হেন্না চাওনা মতেং ওইরগনি। এল জে পি মণিপুরগী মপাঙ্গল কনখৎলগনি। এ সী ৪৮ রোমদা এল জে পিগী ওর্গনাইজেসনগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। পোলিটিক্স হায়বসি শেন তানফমগী প্লেটফোর্ম নত্তে, কথোকপগী মফমনি। মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

এল জে পিদা য়াওরকখ্রবা অতৈ মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট ২ দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিতিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কুল্লচন্দ্র, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২ দি সী সীগী সেক্রেটরী ওইনাম মংলেম, পি খম্বা, নাওরিয়া পাখঙলাকপা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট চাওবা, ভাইস প্রসিদেন্ট এল থানিলজাও অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন নিমাইচান্দনি। মীওইশিং অসিনা এল জে পিদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পার্টিগী লেংয়ান য়ান্দুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা এল জে পি মণিপুরগী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## নূং, লৈঙোই পুবা থিংলে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : য়াইরিপোক এরিয়াদা নূং, লৈঙোই পুদুনা চৎলিবা গাড়ীশিংদা মীচঙ-মীখায় নাইবা মওংদা টেক্স লৌরিবসি খুদক্তগী তোকপীয়ু, চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীয়ু হায়না য়াইরিপোক লোকল ট্রক ওনর শিন্থা লূপ এসোসিএসনগী সেক্রেটরি রাজমোহোননা ফোঙদোরক্লি।

থৌওং অসি চৎলিবা থা অসিগী ২৫গী অহিং নোংয়াই ফাওবদা য়ানবা পুরক্ত্রিবা ফাওবা মখল অমত্তগী নূং, লৈঙোই পুবা থিংলে। ৱাফম অসি ইন্দবা গাড়ী মপুশিংনা মতুং তারকপদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক মশা-মশানা পুগদবনি। য়াইরিপোক এরিয়াদা নূং, লৈঙোই পুদুনা চৎলিবা গাড়ীশিংদা মীচঙ-মীখায় নাইবা মওংদা টেক্স লৌবগী থবক চত্থবসি তৌবীগনু। এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ৱাফম অসি থম্বগা লোয়ননা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীয়ু হায়বা ৱাফমসু থল্লি। ৱাফম অসি ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকায়দা লৈবা য়েন্দ্রেম্বম তম্ফাগী যুমদা নিম্পাল লংথবাল ব্রাঞ্চকী এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মীটিং পাঙথোকখ্রে হায়না ব্রাঞ্চ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফম অদুদা প্রসিদেন্ট পুর্ণিমানা ময়াই তাংবল লৌখি। লংথবাল ব্রাঞ্চনা কোনবা মফমশিংদা যু য়োনবা, থকপা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা থিংনবা লেপ্পখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ৱাটর সপ্লাইগী পুখ্রি শেমজিনবগা লোয়ননা ব্র্যের খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : ৱাংখেম এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়দা লৈবা মীয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা ৱাটর সপ্লাইগী পুখ্রি অচৌবা অসিগী অকোয়বদা সোসল ৱার্কর জাদুমনিনা জে সী বি শীজিন্নদুনা শেমজিনখ্রে। পুখ্রি অসিগী অকোইবদা ফেন্সিং তৌনবা স্কৱার ফিট ১০০০ রোমগী ব্র্যের খুৎশিন্নখ্রে।

খুলগী পুখ্রি শেমজিনবা অমদি ব্র্যের খুৎশিন্নবা অদুগা মরী লৈননা পুখ্রি অসিগী কম্মিতি অমসু ওইরিবা ইকোনেট ৱরিয়রগী সেক্রেটরী এস ওকেনজিৎনা হায়খিবদা ৱাটর সপ্লাইগী ঈশিং চীংখৎফম ওইরিবা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়গী পুখ্রি অচৌবা অসি মতম কুইনা ফেন্সিং তৌবা ঙমদনা লাকখিবনি। ৱাংখেম এ সীগী সোসল ৱার্কর জাদুমনিনা ৰ্বাব ব্র্যের খুৎশিন্নরে। ফেন্সিং তৌবদা খুদোংচানবা পুখ্রি অসিগী অকোয়বসু অচংবা শেল পুথোক্তুনা শেমজিল্লকপনি। নোংনা চাং নাইনা তারক্তবনা মরম ওইরগা মফম অয়াম্বদা লৈরিবা পুখ্রিশিং কংশিল্লকপদগী কম্মিতি অসিনা ৱাটর সপ্লাইগী ঈশিং চীংখৎফম ওইরিবা পুখ্রি অসি শেমজিন্নবা হায়রুবদা মতেং পাংলকখিবনি। মসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

মহাক্লা তৌরু তৌরুবা থক্তা মায় পাকপা ওইসনু। ৱাটর সপ্লাইগী পুখ্রি অচৌবা অসি শেমজিনবা য়াম্না মরু ওইরবনি। খুলগী পুখ্রি অসি শেমজিন্দুনা ৰ্বাব ব্র্যেরনচিংবা ফেন্সিংগী থবক পায়খৎলকপা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

## চৎনা কাংলোন ঙাক্তুনা কোভিদ-১৯গী লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনসি: লুপ

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : চৎনা কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎতুনা কোভিদ-১৯গী শাথিরবা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরসি হায়না সলাই অপুনবা নুপী লমজিং লুপকী পব্লিসিটি সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমদা কোভিদ-১৯গী লায়না অসিনা মরম ওইরগা নোংমা কাংদনা মীওই কয়া নাবগী চাং হেনগৎলক্লি। মীপুম খুদিংমক অৱাবা মায়োক্লরিবা মতম অসিদা ফম্নাইবশিংনা অচৌবা ঈরাং অমা শাগৎতুনা ঈরাং হৌবসি কন্দম তৌই।

ক্বারন্টিন তৌরুরগা যুমদা হল্লবা মতুং নুমিৎ ১৪নি অমুক যুমদা মপান থোক্তনা লৈবিয়ু। মাস্ক উপ্পা কাউবিগনু। ওটো অমদি ভেনদা মনা মশিং য়োল্লিবশিং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চত্থবিয়ু হায়রি।

## লৌমীশিংদা অরাইবা মওংদা হার ফংহনবীয়ু : সোসাইটি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংদা অরাইবা মওংদা হার ফংহনবীয়ু হায়না সেকমাইজিন গ্রাম পঞ্চায়ট লেভেল কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার থৌবালগী মখাদা লৌমীশিংদা পীরিবা হার অসি ককচিংদা লৈরিবা লৌমীশিংদি হার লৌবগী খুদোংচাবা ফংদ্রে। লৌমী মশা-মশানা নত্রবদি হার লৌবা য়াদবা মরম্না গ্রুপ শাদুনা লৌমিশিংদা হার খরদং ওইরবসু ফংহন্নবা হোৎনবদা অরেম্বা তারে। হার বেগ অনী/অহুমগীদমক শেল কয়া চংনা লৌমীশিংনা হার লৌবা ঙমগদৌরিব্রা। লৈঙাক্লা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৬।২০২০ ইং, শগোলশেল, অয়ুক পুং ৮.৪৯ ফাওবা ইঙেলগী ৪নি পানগনি, মতুংদি ৫ নি পাল্লনি।

**মেষ :** য়েৎরম্বা কোকচবা, মীনা লাকচবা ঙমদবা অমদি ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওবা নুমিৎনি। অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা লৈ। অদুবু হেন্না অশা চাউবদি কান্নরোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নগনি অমদি থৌনা লৈবনা শেল-থুমগী লম্দা মায় পাকপা হেগনি। অদুবু য়েৎনরদি অঙম্বনা তাথিবীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱা ঙাঙবা চেকশিল্লু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিথুন :** নুংথিল পুং অমদগী লাইবক ফবা অমদি নচাক নরল চাওখৎপা হেনগনি। খন্থদনা থৌ পাংগনু অমদি মীনা ইনশিনবা অমদি অনম তানবা তৌগনু-লন কাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱারৌনবা লৈগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা তৌজরুবা খুদিং চাউনা মায় পাকচবা লৈগনি। মরুপ-মপাং পুনবা থবক লেম্নমক কান্নগনি অমদি শেল ফংগনি। লৈঙাক্কী লম্দদি কাইনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, ৱাখল নুংঙাইবা অমদি মীচং ফংজবা লৈগনি। মীংচৎসু ফংগনি অমদি অফা-অপুন কোকচবা লৈগনি। অদুবু শাউনদনবা তপথবদি ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা মীচং লৈ, শেল-থুমগী থবক্তা কান্ননি অমদি অপাম্বা পোৎলম ফংবা য়াবা লৈ। থেংলদি চাদিং হেনবা অমদি চিংনবা পোকপা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** থবক পাংগনি, শেল ফংগনি, মীচং হেনগনি অমদি মীনা থাগৎপিবা লৈগনি। কিবা, চিংনবা অমদি ফত্তবা ৱাখল পোকপা লৈগনি। য়ারিমখৈ মীয়ামগী ৱা তাও।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** নুংথিলদা মীপাইরম্বা কোকচবা অমদি অনীংবা থবক খরদি পাংবা ঙমজবা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংবদি ৱাগনি অমদি হকচাং নুংঙাইরোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - কাইনদনবা তপথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** খোইরাংবা, অরং-অরাক চেকশিন্দ্রদি মাঙবা য়াবা অমদি য়েৎনবনা নরলদা মীনা মীতাবা নুমিৎনি। অদুবু অচুম্বনা মায় পাকচবা, হকচাং খিংই, মরুপ ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱা ঙাঙদবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**মকর :** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা লল্লোন ইতিক কান্নবা অমদি লাইবক ফবা ওই। পাউ নুংঙাই-নুংঙাইবা তাগনি অমদি অনৌবা মরুপ ফংগনি। নচা ননাই চাওখৎকনি-নুংঙাই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাবু/ফৌ।।

**কুম্ভ :** নীংজবা থুংগনি, শেল-থুমগী লম্দা কান্নগনি অমদি মীয়াম্না থোইনা হেন্না য়াবা নুমিৎনি। নচা-ননাই ময়েং তাবা অমদি নাপল তৌরগা মাঙবা লৈগনি-নোল্লুকউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিন :** নুংথিলদা নীংবা থুংগনি, অফবা মীংচৎ ফংগনি অমদি ইমুং মনুং ৱা তানবনা মায় পাকচবা হেনগনি। নথক থোংবনদি ৱারৌবা য়াবা লৈ-ফিংগনু, ৱানোমগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।